# *ভারত ইমানা য়াইফরে* হায়য়ু য়াদবা মহারাষ্ট্রগী এম এল এ মীফম য়াওবা য়াহনখিদ্রে

মুম্বাই, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ

*ভারত ইমানা য়াইফরে* হায়য়ু য়াদবগীদমক ওল ইন্দিয়া মজিস-ই-ইতেহাদুল মুস্লিমিন (এ আই এম ঈ এম)গী এম এল এ ৱারিস পথানবু মহারাষ্ট্র লেজিসলেটিব এসেমব্লিদগী তাম্থোকখ্রে। এম এল এ অসি বজেট মীফম লোইদ্রি ফাওবা হাউসকী মীফম য়াওবা য়াহল্লোইদৌরি।

বি জে পিগী এম এল এ রাম কদমনা ৱারিস পথানবু ভারত ইমানা য়াইফরে হায়নবা তকশিল্লকখি অদুবু পথাননা য়াখিদে। অতৈ অতোপ্পা পার্টিগী লূচিংবশিংনসু ৱাফম অসিদা য়াওশিল্লক্তুনা খুদক্তা ৱারিস পথানবু হাউসতগী তাম্থোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখি।

চত্থরিবা বজেট মীফমদা পথানবু শরুক য়াহন্দনবগী মতাংদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স) রানিত পাতিলনা প্রপোজেল অমা পুখৎলকখি। হাউসনা খুদক্তা প্রপোজেল অদু অয়াবা পীখি।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা এ আই এম আই এমগী লূচিংবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা হায়খিবনি মদুদি, খৌরিদা থাঙনা নল্লবসু ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউ অসি লাউরোই।

হান্না অইবা ওইরম্বদগী পোলি-টিক্সতা চঙলকখিবা জাবেদ অখতারনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা পথাননা হায়খি, জাবেদ অখতারনা ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা পাল্লবসু ঐখোয়দি হায়রোই। মদুগী মহুত্তা *হিন্দাষ্টান জিন্দাবাদ* অমসুং *জয় হিন্দ* হায়বা ৱাহৈ ওইনা শীজিন্নগনি। ওৱাইসিনা উপ্পা তুপি পল্লগা জাবেদ অখতারনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগী থৌওং অদু মালেমদা লৈরিবা মুস্লিম পূম্নমকপু ঈকায়বা পীবনি হায়না লৌবা য়াই।

জাবেদ অখতারনা রাজ্য সভাদা ঙরাং অসাদউদ্দিন ওৱাইসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা হায়খি, মীপুম খূদিংমক ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউ লাউগদবনি হায়না কন্সটিট্যুসন্দা য়াওদবা তারবসু মীপুম খূদিংমক ফিরোল শেৎকদবনি অমসুং তুপি উপকদবনি হায়বা ৱাফমসু কন্সটিট্যুসন্দা য়াওদে।

ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউ লাউবগী ৱাফম অসি ইশাগী তৌফম থোকপা দ্যুটি ওইবা নৎত্রগা ওইদবনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইহনখ্রবসু ইশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না খোল্লাউ অসি হঞ্জিন হঞ্জিন লাউগনি হায়না জাবেদ অখতারনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, বোল্লিৱুদ এক্টর অনুপম খেরনা হায়খ্রে মদুদি, ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা ৱাফম অসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক্কী নেসনেলিজমগী ৱাহন্থোকনি। তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎলবসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা খোল্লাউ অসি লাউফম থোকপনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা হায়খ্রে মদুদি, ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকপগী ফীভম লাক্লিবসি লৈবাক অসিগী ওইনা অচৌবা শীংনবা অমনি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা খোল্লাউ অসি লাউদবা তারবদি করম্বা লৈবাক্কী মীওইনা লাউফম থোকপগে হায়নসু মহাক্লা হংখি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা খোল্লাউ অসি লাউফম থোকই। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা খোল্লাউ অসি লাউদবা তারবদি করম্বা লৈবাক্কী মীওইশিংনা লাউগদৌরিবনো হায়নসু মহাক্লা হংখি।

হৌখিবা মার্চ ৩দা রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক শঙ্ঘগী লূচিংবা মোহন ভগৱতনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউ লাউবা তম্বীবগী মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা এ আই এম আই এমগী লূচিংবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা মখৌরিদা থাঙনা নল্লবসু খোল্লোউ অসি লাউরোই হায়না ফোঙদোরকপদগী ৱাথোক অসি থোরকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর এম ভেনকায়া নাইদুনা হায়খি, "ইন্দিয়া অসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ইমানি। কনাগুম্বনা মমাগী মায়োক্তা ফত্তবা ৱা ঙাঙবদা থিংলুবা য়াদে। মমাবু ঈকায় খুম্নগদবনি হায়বগী মতাংদা লো শেল্লুবসু য়াদে। অদুম ওইনমক পার্টি খরনা মমাবু নুংশিদবা মীওই শৌগৎপগী থৌওং অমা উবা ফংলিবা অসি পূম্নমক্কী ওইনা লাইবক থীবনি।"

হীরম অসিগী মতাংদা অচৌবা ইসু শাগৎতুনা পোলিটিক্স তৌরোইবনি হায়না সমাজৱাদি পার্টিগী এম এল এ অবু অজমিনা ফোঙদোকখ্রে।



# কাশ্মীরদা টেররিজম শোন্থরকপদগী পথান কোটতা এটেক চত্থরকপনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ

দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা হায়খ্রে মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেররিষ্টশিংগী মপাঙ্গল শোন্থরকপদগী পথান কোটকী এয়র ফোর্স বেজদা ঙমখৈ ৱাংমদগী চঙলকপা টেররিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকখিবনি।

কাশ্মীরদা টেররিষ্ট কয়ামরুম হাৎপা ঙমখ্রে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরকপা পামদবা মীওইশিংনা ঙমখৈ ৱাংমদগী পথান কোটতা এটেক চত্থিখিবনি।

লাইন ওফ কন্ট্রোলদা চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) চঙলকপা থেংনরে হায়বা ৱাফম অমগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, হীরম অসিগা মরী লৈননা চাইনিজ ওথোরিটিশিংদা ৱাফম কয়া পুখৎনবা আর্মিগী মকোকথোংবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে। মথংগী ফ্লেগ মিটিংদা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌওং অসি চাইনিজ ওথোরিটিশিংদা পুখৎতুনা খঙহনগদবনি হায়না ইন্দিয়ন আর্মিদা দিরেক্সন পীখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না খা থংবা লদাখকী চুমার এরিয়াদা পি এল এগী লান্মীশিংনা ১৬লক ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌওং চত্থখি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী সোর্স অমনা হায়খি, মথং থাদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা চাইনাদা চৎপা মতমদা পি এল এনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী ৱাফম অসি শোয়দনা পুখৎকনি।

অমরোমদা, হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা লৈবাক্কী অরোনবা পাউ লৌরম্বগীদমক আর্মি পার্সনেল অহুম ফাখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে। থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি পার্সনেল তরেৎসু লোন্না পাউ লৌরম্বগী মরালদা ফাখি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

রাজ্য সভাদা মহাক্লা হায়খি, পাকিষ্টানগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীগা খুৎশম্নদুনা লৈবাক অসিগী অরোনবা পাউ লৌরম্বগীদমক হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা আর্মি পার্সনেল অহুম ফাবগী থৌদোক লৈখি। মরুওইনা আর্মি দিপ্লোইমেন্ট, ট্রেনিং এক্সরসাইজ, সিনিয়ার ওফিসার খনবগী ৱাফম অমসুং দিফেন্সকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কয়া মপান লৈবাক্তা লোন্না পীরম্বগী থৌদোক লৈখি।

রাজ্য সভাদা হীরম অসিগা মরী লৈননা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হরিভাই পার্তিভাই চৌধরিনা হায়খিবনি মদুদি, হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা পাকিষ্টানগী ইন্টর-সার্বিসেস ইন্টেলিজেন্সকা খুৎশম্নদুনা লৈবাক অসিগী অরোনবা পাউ লৌরম্বগীদমক দিফেন্সকী পার্সনেল ১১ ফাখিবনি।

মিনিষ্টর অনীনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম ফোঙদোকপগী মতাংদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী মেম্বর হরিবন্সনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা পরিকারনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক থবক তৌরিবা আর্মি পার্সনেল অহুম হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা ফাখি। হায়রিবা মতম অদুদা থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি জৱান তরেৎসু ফাখি। পুল্লপ পুনশিল্লগা মীওই ১১ ফাখি।

হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলবগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা পরিকারনা হায়খি, দিফেন্সকী পার্সনেলশিং আই এস আইগী লাংদা থুহন্দনবা হোৎনরি।



# উমর, অনিরবানগী বেল পিটিসনগী ৱায়েল রিজার্ভ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় উমর খলিদ অমসুং অনিরবান ভতচারিয়ানা থাঙ্গৎলকখিবা বেল পিটিসন অমগী ৱায়েল মার্চ ১৮দা পীরগনি হায়না দিল্লিগী কোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পিটিসন অসিগী হিয়ারিং চত্থরিঙৈদা দিল্লি পুলিসকী উকিলনা মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংলবা মীওই অনী অসি বেল পীরোইদবনি হায়না পুখৎলকখি।

অমরোমদা, মহৈরোয় অনীগী উকিলনা হায়খি মদুদি, শেমজিন শাজিনবা ইভিদেন্স কয়া পুথোরকখিবা মরম্না মহৈরোয় অনী অসিবু মরাল লৈ হায়না লৌবা য়াদে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা কনাগুম্বা মীওই অমনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবগী থৌওংবু সিদিসন ওইনা লৌফম থোক্তে। মমাঙদা জে এন য়ুগী মতাংদা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটিনা মহৈরোয় ২১ মরাল লৈরম্বা থেংনখ্রবনি। জে এন য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহৃয়া কুমার য়াওনা মহৈরোয় মঙা য়ুনিভর্সিটিদগী তাম্থোক্কদবনি হায়নসু কম্মিটিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ভাইস চান্সেলর এম জগদেস কুমারদা পীশিল্লকখিবা রিপোর্টতা কম্মিটিনা হায়খি মদুদি, মহৈরোয় খরনা য়ুনিভর্সিটিগী কাঙলোন থুগাইদুনা পার্লিয়ামেন্ট এটেক্তা চেন্নবা অফজল গুরুগী নীংশিং থৌরম অমা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা পাঙথোকখি। জে এন য়ুগী চীফ প্রোক্টরনা উমর খলিদ অমদি অনিরবান ভতচারিয়া য়াওনা মরী লৈনবা মহৈরোয়শিংদা সো কোজ নোটিস থাদুনা মখা তাবা থবক লৌখৎকদৌরি।

পনবা য়াবদি, সিদিসনগী চার্জ মায়োক্নরিবা উমর খলিদ অমদি অনিরবান ভতচারিয়াবু মার্চ ২৯ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা কোর্ট অমনা খঙহনখ্রবনি।

মরাল লৈরে হায়রিবা মহৈরোয় অনীবু ভীদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোরকখি। মখোয় অনীমক মার্চ ২৯ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থমগদবনি হায়না মেজিষ্ট্রেটনা খঙহনখি। জে এন য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহৃয়া কুমার ফাখ্রবা মতুংদা বসন্ত কুঞ্জ পুলিস ষ্টেসন্না খলিদ অমসুং ভতচারিয়াগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখি।

মরকসিদা, জে এন য়ুগী দিন ওফ ষ্টুদেন্টসনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎহৌদবদগী ফেব্রুৱারী ৯দা মহৈরোয় খরনা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা অফজল গুরুবু নীংশিংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবনি হায়না হায় লেবেল কম্মিটিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

# বি জে পি মাইনোরিটি ৱিংগী প্রসিদেন্ট ফম থাদোকখ্রে



কোলকাতা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ

মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইনা পার্টি অসিগী মাইনোরিটি ৱিংগী প্রসিদেন্ট সকিল অন্সারি ফম থাদোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা পার্টি অসিনা মীরেপ ৫২ লাউথোকখিবদা মুস্লিম অমত্তা য়াওখিদবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ফম থাদোকপনি হায়না সকিল অন্সারিনা ফোঙদোকখি।

ন্যুজ রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না লাভপুর অমদি বিরভুম দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা বি জে পিগী মুস্লিম ৱার্কর কয়া পাক শন্না ফম থাদোক্লবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মুস্লিম মশিং য়াম্না লৈবা মরম্না করিগুম্বা পার্টি অসিনা কম্যুনিটি অসিগী ৱাফম থৌশাদবা তারবদি হন্দক্কী মীখলদা থাগৎলিবা মীরেপ অয়াম্বা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

সিট ২৯৪ লৈবা ৱেষ্ট বেঙ্গল লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা হৌজিক হৌজিক বি জে পিগী এম এল এ অমখক লৈ। পার্টি অসিনা মীরেপ ৫২গী মিং লাউথোকখিবদা সুভাস চন্দ্র বোসকী মশুনুপা চন্দ্র কুমার বোসপু ভৱানিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সীদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী মায়োক্তা লম্বা পানবা মীরেপ ওইনা লাউথোকখি।

পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোসনা খরগপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা মীরেপ ওইগদৌরি। অতৈ মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওইশিং অদুদি বেঙ্গলি ফিল্ম এক্ট্রেস লোকেত চেতর্জি, হৌজিক হৌজিক এম এল এ ওইরিবা সমিক ভতচারিয়া অমসুং এক্টর জোয় বেনর্জিনচিংবনি।

মরকসিদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়খ্রে মদুদি, তৃণমুল কোংগ্রেসনা হান্না লৌরম্বা ফিরেপ্পুগী হোংদোক্লগা গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা শেম্বগী ৱাফম শৌগৎলি।

বেঙ্গলদা পোলিটিকেল পার্টি খরনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মীখলদা ভোট ফংনবগীদমক পোলিটিকল লিদরশিংনা তম্পাক্তা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লগা চীংদনা অতোপ্পা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লি।

# মপান লৈবাক্তগী তাজ মহল য়েংবা লাকপগী চাং হন্থরক্লে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ

গভর্ণমেন্টনা টুরিষ্ট লাক্লিংনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু মপান লৈবাক্কী মীওইশিংনা তাজ মহল য়েংবা লাকপগী চাং হন্থরক্লে হায়না রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

কলচর মিনিষ্টর মহেশ শর্ম্মনা পীরকখিবা দেটা অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১২দা মপান লৈবাক্কী মীওই লাখ ৭.৪৩না তাজ মহল য়েংবা লাকখি। কুমজা ২০১৩দা মপান লৈবাক্কী মীওই লাখ ৬.৯৫না ১৭শুবা চহী চা মতমগী মোন্যুমেন্ট অসি য়েংবা লাকখি হায়রি। কুমজা ২০১৪দদি মপান লৈবাক্তগী তাজ মহল য়েংবা লাকপা মীগী মশিং লাখ ৬.৪৮দা হন্থরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা কলচর মিনিষ্টরনা হায়খি, মপান লৈবাক্কী মীওইশিংনা তাজ মহল য়েংবা লাকপগী চাং হন্থরকপগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদোকপা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক চত্থোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা, টুরিজমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফত্তবা অমসুং মনাক নকপদা মতিক চাবা হোটেল লৈতবনা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, টুরিষ্টশিংগী য়াইফনবগীদমক গভর্ণমন্টেনা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। কনাগুম্বা মপান্দগী লাকপা টুরিষ্ট অমনা খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা মতমদা টেলিফোন তৌদুনা মতেং লৌবা য়ানবগীদমক টোল ফ্রী ওইবা হেল্প লাইন নম্বর কয়াসু লৈরে।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা মরী লৈনবা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংদা টুরিষ্টশিং লাক্লিংনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়না মিনিষ্টরনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, তাজ মহলবু লৈবাক অসিগী হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরকপগী মতাংদা সমাজৱাদি পার্টিগী লূচিংবা অজম খাননা হায়খ্রে মদুদি, হিন্দুশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিদা সপ্পোর্ট তৌই অদুবু শিব সেনানা থৌনা লৈরবদি য়েৎনরিবা বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবগুম তাজ মহলসু মাঙ-তাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

তাজ মহলবু মহাদেবকী লাইশঙনি হায়না হিন্দুশিংনা ক্লেম তৌরকখিবগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, মালেমগী মীপুম খূদিংমক্লা তাজ মহলগী পুৱারী ময়েক শেংনা খঙলবনি। হৌজিকসু হিন্দুশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিদা শৌগৎলি। অদুবু য়েৎনবা লৈখিবা বাব্রি মসজিদপু শিব সেনানা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগুম ঙল্লবদি তাজ মহলসু মাঙ-তাকহন্নবা হোৎনগদবনি।

আগ্রাদা থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা উত্তর প্রদেশকী মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক শঙ্ঘ (আর এস এস) হায়রিবা হিন্দুশিংগী লূপ অসি মতম অমগী কংসগুম্বনি। অনৌবা মতমগী কহ্নায়ানা আর এস এস অমদি মসিগী তৌশিন্নবা মরৈবাক নীংবগী থৌওংশিংবু লোইশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লগনি।

তাজ মহলগী মতাংদা অজম খাননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি মুস্লিম ফুরুপকী মীওই খরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া মুস্লিম বিকাশ পরিষদকী চ্যেরমেন সমি অগাইনা হায়খি, মতম অমদা বাব্রি মসজিদ এক্সন কম্মিটিগী মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা মুস্লিমশিংগী রাইট ফংনবা হোৎনখিবা অজম খাননা তাজ মহলবু অমাঙ-অতা থোকহন্নবগী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি য়ানিংদে। শেংলবা কুরানগী ৱারোল কয়া হক্তুনা লৈরিবা তাজ মহলগী মরমদা মহাক্লা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি ইস্লামবু শীংনবা ওইনা লৌফম থোকই হায়রি।



# জাতশিংনা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টতা কেস ৱিদ্রো তৌনবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ

হরিয়া গভর্ণমেন্টনা পুং ৭২গী মনুংদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা পাল্লিবা কেস ৱিদ্রো তৌদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জাতশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জাত ফুরুপকী মীওইশিংদা রিজার্ভেসন পীগদবনি হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনা স্কুল অমদি কোলেজ পূম্নমক মখা তানা থোঙ লোন্নবা খঙহনখি।

ওল ইন্দিয়া জাত মহাসভাগী লূচিংবা য়াস্পাল মালিকনা হায়খি, জাত ফুরুপকী মায়োক্তা লেপখিবা বি জে পিগী এম পি রাজকুমার সাইনিগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া জাত মহাসভাগী মীফমদা মখা তানা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনগদ্রা হায়বদুগী ৱারেপ লৌরগনি হায়রি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লদুনা য়াস্পাল মালিকনা হায়খি, হরিয়ানাগী এসেমব্লি মীফমদা গভর্ণমেন্টনা জাতশিংদা রিজার্ভেসন পীবগা মরী লৈনবা বিল অমা পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবা তারবদি জাত ফুরুপকী মীওইশিংনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা জাত ফুরুপকী মীওইশিংবু নমথনবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরদুনা য়াস্পাল মালিকনা হায়খি, মিনিষ্টরশিংনা জাত ফুরুপকী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা মতমদা য়ারিবমখৈ চেকশিন্নবা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা পাউতাক পীগদবনি।

উত্তর প্রদেশ, উত্তর খন্দ, দিল্লি, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, পঞ্জাব অমদি হরিয়ানা য়াওনা ষ্টেট ১৩দা কুমজা ২০০৫দগী জাতশিংগী দিমান্দ ফংনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মমাঙ থাদা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা হরিয়ানাদা মীওই ৩০ শিখি।

# থা খূদিংগী মিসাইল ১০০ পুথোক্কনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়ানা থা খূদিংগী মিসাইল ১০০ পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না দিফেন্সকী সিনিয়ার ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিফেন্স রিসার্চ এন্দ দিভলপমেন্ট লেবোরেটরি (দি আর দি এল)গী দিরেক্টর কে জয়রামনা হায়খি, মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মখাদা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অমা ওইনা লৈরিবা ভারত দাইনামিক্স লিমিটেদ (বি দি এল)না হৌজিক হৌজিক থা খূদিংগী অকাশ মিসাইল ৫০ পুথোক্লি। অথুবা মতমদা থা খূদিংগী মিসাইল ১০০ পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি। সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক খরা য়াওনা ভিয়েটনাম, মালেসিয়া অমদি সিঙ্গপোরনচিংবা লৈবাক কয়ানা অকাশ অমদি ব্রহ্মোস মিসাইল লৈনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লে।


**ERAMDAM MANIPUR CHAOKHAT KHONGTHANG FINANCE SERVICE**

H/Q - Sangaiprou Imphal/Oinam Branch

EMCKFS provides on any kinds of Loan! Business Loan, Venders and Hawkers Loan, Vehicle Loan (4 wheelers, 2 wheelers, Luxury Cars, Commercial Vehicle) and households items like Electronics Gadgets, T.V. Refrigerator, Washing Machine etc.

* NO GUARRANTOR *
* LOWEST DOWN PAYMENT *
* EASY DOCUMENTATION *

Please Contact us:

\# 7085051906 # 7085051896
\# 7308953178 # 8794238593 # 9089910964

Sd/- Managing Director

HL-P/7713/12,13,14,15,16,17,18,19,20,21,22,23,25

**এমপ্লোইমেন্ট ন্যুজ**

চহী ১৮ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা থবক থীরিবা অনএমপ্লোই ওইবা কেন্দিদেট (মেল/ফিমেল) শিংদগী অহাংবা ওফিসিএল পোষ্ট ৫৫ গীদমক্তা থবক কৌজরি। থবক অসিগী চঙবগী ক্বালিফিকেশননা ক্লাস টেন, টুয়েল্ব অমসুং গ্রেজুয়েট পাস তৌরবা মীওই ওইগদবনি। মসিদা থাগী ইনকমনা লুপা লিশিং ১০ দগী লিশিং ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈগনি।

দিপোজিৎ লৈজরোই। সেলেক্সন ওইরবা মীওইশিংগী লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি। লিমিটেদ পোষ্টনি, অথুবা মতমদা ইশাগী বাইও-দাটা পুরগা ওফিসতা তান্নবিয়ু।

Contact : 8014170652
8414834122

HL-P/7889/15,17,19

লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্নো চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/2985/29/02-28/03